HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


মার্টস দেগী থৌরমগা মরী লৈননা জি এম হোলদা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগী শক্তম



লামায় ৩

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফম কয়াদা মৈরা রেল্লি চৎনখিবগুম ক্বাকৈথেলদা নূপীশিংনা মৈরা রেল্লি চৎখিবগী শক্তম




লামায় ১

নেসনল হেল্থ মিসন অমসুং স্টেট লেপ্রোসি য়ুনিট মণিপুরনা শীন্দুনা মেদিকেল দিরেক্টোরেটতা স্পার্শ লেপ্রোসি এৱেরনেস কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরম




লামায় ২

নহারোল থৌদাং পাউচেগী এসিস্টেন্ট এদিটরগী থৌসু পুরস্বা লৈখিদ্রবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট থোকচোম শান্তিরঞ্জনগী মফমদা পাউমীশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপা



লামায় ১


Vol. 42, Issue No.305 | শগোলশেন, ৱাকচিং ২৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, January 31, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50



MEDILANE

Medilane Ambulance number
8723004849, 7085244123
7085396969, 7005022100
These AMBULANCE NUMBERS are available 24x7 for emergency and accident.
Free AMBULANCE SERVICE for accident.


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২১.৮২ °C | ৯.৩৮ °C |
| চান্দেল | ২৬.৮৮ °C | ৭.৬৩ °C |
| সীসীপুর | ২৪.০০ °C | ৭.৭৬ °C |
| ইম্ফাল | ২৫.১২ °C | ৭.৬০ °C |
| সেনাপতি | ২২.২৬ °C | ৪.৫৪ °C |
| তমেংলোং | ২৫.৫৭ °C | ৭.০৪ °C |
| থৌবাল | ২২.২১ °C | ৮.৫২ °C |
| উখ্রুল | ১৭.৮৬ °C | ৪.৯০ °C |
| মণিপুর | ২৬.৮৮ °C | ৪.৫৪ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 81.396088 |
| US Dollar | 71.183932 |
| British Pound | 93.248578 |
| Australian Dollar | 51.260486 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.598802 |
| Japanese Yen | 0.650574 |
| Malaysian Ringgit | 17.332509 |
| Australian Dollar | 51.260486 |
| Singapore Dollar | 52.701009 |
| South Korean Won | 0.063709 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.982382 |
| Thai Baht | 2.267307 |
| Myanmar Kyat | 0.04689 |
| Bangladesh Taka | 0.85046 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 33882.35 |
| Mumbai | – | Rs 34374.33 |
| Delhi | – | Rs 34598.93 |
| Kolkata | – | Rs 34919.79 |

## HL POLL

**Q :** Citizenship (Amendment) Bill na maram oiraga BJP na luchingba NEDA machet tarakkani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Public Toilet matik chana leitribasi meeyamna takshinba watpadagini haina loubra?

Yes 44% No 56%

## অস! লোইরেহে!

চাওখৎ থৌরাংগীদমক্তি শেলগী অৱাৎপা লৈজদে...!



সারগী ৱাসি তারগা
মী লোইনা হৌগৎতুনা চৎনখ্রে,
ঐদা ঙায়হৌরে!

# সিটিজনশিপ বিল : পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ইফিজি মৈ থাখ্রে, দিল্লি পুলিসনা কৈথেল ফম্বী ৩, মহৈরোয় ৭০ রোম ফাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩০(ঐচএনএস): সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই, বিল অসি ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি দিল্লিদা লৈবা পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা মহৈরোয়শিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ইফিজি মৈ থাখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরগী ইফিজি মৈ থাবদা য়াওবা কৈথেল ফম্বী ৩ অমদি মহৈরোয় ৭০ রোম দিল্লি পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ইফিজি মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মহৈরোয়শিংনা বি জে পি দাউন দাউন, ৱি কন্দেম সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল, নরেন্দ্র মোদি দাউন দাউন, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট দাউন দাউন হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।




খোঙজংলোয়শিং অদুবু দিল্লি পুলিসনা মশা পায়দুনা ইল্লগা তকথোক্লবা হোৎনখি। তুংদা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী কৈথেল ফম্বী অহুম অমসুং মহৈরোয় ৭০ রোম দিল্লি পুলিসনা ফাজিনখি। দিল্লি পুলিসনা ফাজিনখিবশিং অদুগী মনুংদা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট ঙারিয়ানবম মিলন, দেসামগী প্রসিদেন্ট সলাম অকাশ য়াওনা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী লুচিংবা কয়া য়াওখ্রে হায়রি।

ইফিজি মৈ থাবগী খোঙজং অসি চঙশিন্দ্রিঙৈগী মাংওইননা ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তাবদগী দিল্লিগী জন্তর মন্তর মমাঙদা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী থৌমীশিং, কৈথেল ফম্বী ইমাশিং অমদি অৱাং-নোংপোক্কী তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিং অমদি দিল্লিদা মহে তমদুনা লৈবা মণিপুরগী মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা দাউন ৱিথ সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ হায়না থাবা বেন্নর শীজিন্নখিবগা লোয়ননা ৱিদ্রো সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬, ইরেজিং ইন্দিজিনস পিপল ইজ কোলোনিয়েলিজম, মণিপুরী নেসন ৱিল নেভর একসেপ্ট সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল, গো বেক ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টস, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ইজ নোট দম্পিং গ্রাউন্দ ওফ ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টস, দাউন দাউন হিন্দুত্বা ফেসিজম, ইন্দিজিনস রাইট ইজ বর্থ রাইট, ৱি ষ্ট্রোংলি ওপোজ সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## দিল্লি পুলিসকী থৌওং কন্দেম তৌই, ফাজিনখিবশিং খূদক্তা থাদোক্কদবনি : মহৈরোয় লূপ ৬

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩০(ঐচএনএস): সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা দিল্লিদা লমদমসিগী মহৈরোয়শিং অমসুং কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা দেম্মক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙজং চঙশিনখিবা অদুদা দিল্লি পুলিসনা চথখিবা থৌওং কন্দেম তৌই, ফাজিনখিবা খোঙজংলোয়শিং খূদক্তা থাদোক্কদবনি হায়না মহৈরোয় লূপ তরুক মথংশিংনা এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমসুং এইমসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এমসুগী হেদ ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী মহুৎ শিল্লদুনা দেসামগী জেনরেল সেক্রেটরি সিতল ওইনামনা হায়খি, হৌখিবা জন্যুৱারী ৮ দা লোক সভাদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখিবদগী মণিপুর য়াওনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী য়েলহৌমীশিং লাংতক্নবা ফীভম অমদা লৈরি। মণিপুরসু অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা মাইগ্রেন্টশিংগী ওইখিগদৌরৱা হায়দুনা মীপাইবা পোকপদগী বিল অসিগী মায়োক্তা মণিপুর মীয়াম্না তোঙান-তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লি। খোঙজং ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## সিনিয়র জর্নেলিষ্ট শান্তিরঞ্জন লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩০(ঐচ এন এস): চহী ২৫ রোম পাউমীগী শিনফমদা থবক তৌরক্লবা নহারোল থৌদাং পাউচেগী এসিস্টেন্ট এদিটরগী থৌসু পুরস্বা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট থোকচোম শান্তিরঞ্জন সগোলবন্দ তেরা খম্নাম লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী মফমদা পাউমীশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## জেনরেল ষ্ট্রাইক হৌখ্রে, ঙরাং নুমিদাং মৈরা রেল্লি পাক শন্না চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩০(ঐচএনএস): চীং অমসুং তমগী তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী অপূনবা কোর কম্মিটিনা জন্যুৱারী ৩১দা কৌখিবা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক হৌখ্রে।

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোর কম্মিটি অসিনা লৈকাই-লৈকাইদা মৈরা খোঙচৎ চৎপীয়ু হায়না আপিল তৌখ্রবা মতুংদা ঙসি নুমিদাং তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মৈরা রেল্লি পাক শন্না চৎখ্রে। মৈরা রেল্লিশিং অদু কৈশাম্পাৎ, ক্বাকৈথেল, ৱাহেংবম লৈকাই, উরিপোক, খুরাই লম্লোং, অয়াংপল্লি রোদ, কোনুং মমাঙ, কোংবা নান্দৈবম লৈকাই, নাওরেমথোং দি সী রোদ, হৈরাঙ্গোইথোং, ককৱা, ললাম্বুং মখোঙ, খুরাই টিনসিদ রোদ, লম্লাই, নম্বোল, থৌবাল, তোরবুং, ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## হোম মিনিষ্টর য়াওবা মীফম শরুক য়ানবা সী এম দেল্লি পাংখ্রে

**মীয়াম্না সিটিজনশিপ বিলগী মতাংদা চিংনরিবশিং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা খঙহনগনি : বিরেন**

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩০(ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্টকী চীফ মিনিষ্টরশিংগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা হয়েং উনগদৌরিবা অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

জি এম হোলদা মার্টিরস দেগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামনা সিটিজনশিপ বিলগী মতাংদা চিংনরিবশিং অসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা খঙহনগনি। সিটিজনশিপ বিলনা মরম ওইদুনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম কয়া অসিগী মতাংদা সেন্টরদসু খঙহল্লি। ফিভম অসি য়াম্না কুপ্পা য়েংলি। নোর্থ ইষ্টকী চীফ মিনিষ্টরশিংগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা দেল্লিদা উনগদৌরি। মীফম অসিদা শরুক য়াদুনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং অমদি নোর্থ ইষ্টকী ওইরিবা ফিভম কয়া অসি য়াম্না কুপ্পা পাউদমগনি। মীয়ামদা চিংনবা লৈরিবা কয়া অসি কোকহন্নবা মীৎয়েং চঙবিনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা তকশিনগনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনগদৌরিবা অসিদা সী এ বিগী মতাংদা মীয়ামদা ফাওরিবা কয়া অসি খঙহনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## কোংগ্রেসকী মীহুৎশিং দেল্লি পাংখ্রে, এক্স সী এমসু ঙসি চৎকদৌরি

**সিটিজনশিপ বিলগী মায়োক্তা ষ্টেট লৈঙাক্না থৌনা ফনা থেংনদে, চৌক্রিনা হেন্না লূম্না লৌই : ইবোবী**

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩০(ঐচ এন এস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা ষ্টেটসিদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্না থৌনা ফনা থেংনদে, চৌক্রিনা হেন্না লুম্না লৌই হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি সী সীনা শীন্দুনা ঙসি কোংগ্রেস ভৱনদা পাঙথোকখিবা মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবগী কুমওন থৌরম য়াওবা লাকখিবা এক্স সী এম ও ইবোবীনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী কোংগ্রেস লেজিসলেচরশিং দেল্লিদা চঙনবা হৌখ্রে। ঙসিসু এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট য়াওনা টিম অমা দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। কোংগ্রেস লেজিসলেচরশিংনা দেল্লিদা চত্তুনা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি, সোনিয়া গান্ধি, গুলাম নবি অজাদ, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোন উন্দুনা সী এ বি অসি মায়থিবা পীনবা তকশিনগনি। রাজ্য সভাদা পুথোরকপা মতমদা চপ চানা থেংনদুনা মায়থিবা পীনবগীদমক তকশিনগনি। কোংগ্রেসকা চৎমিন্নরিবা ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়াসু উনদুনা বিল অসিগী মায়োক্তা চপ চানা থেংননবা তকশিনগনি।

ষ্টেটসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা সী এ বিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

### নোংমৈ ৫৬ মাঙখিবগী এন আই এগী কেস

## কে আর এগী চ্যেরমেন দেবিদ হংশিংগী আর পি পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩০(ঐচএনএস): অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরদা থম্বা 'দি জি পি পুল'গী আমর্সকোটতগী নাইন এম এম পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মাঙখিবা কেসকা মরী লৈননা থৌদোকসিগী মতাংদা ইনভেষ্টি-গেসন চথরক্লিবা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ), গুৱাহাটিনা কোর্টতা সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট থাগৎলকখিবগা লোয়ননা অকোনবগী চার্জশীট অসিদা য়াওবা একুজগী কাউন্সেলদা রেলিভেন্ট পেপর (আর পি)শিং পীখ্রে।

এন আই এ, গুৱাহাটিনা কেস অসিগী সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট থাগৎলকখিবদা হৌজিক কেস অসিগা মরী লৈননা ফাদুনা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবা কুকি রেভল্যুসনরি আর্মি (কে আর এ)গী চ্যেরমেন দেবিদ হংশিং (৩৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা লালপাও হংশিং, সদর হিলস য়াওরি।

ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী কোর্টনা মহাক্কী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলদা কেস অসিগী আর পিশিং ওফিসল ওইনা খূৎশিন্নখিবনি। অদুগা কেস অসিগী ৱায়েলগী থবক মথং থাগী ৪ দা পাঙথোক্লনবা মতমসু কোর্ট অসিনা লেপখি।

এন আই এনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন-১২০ (বি), ৪০৯ অমসুং অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন-২০গী মখাদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫




অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
**Manipur Cab Services**
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...

খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু

₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অথয়না শেমজনবা package লৈজরি

Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play

অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি

Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/3363/28/01-26/02






HL-B/5164/30/01-02/02



OFFICE OF THE
**MANIPUR DEVELOPMENT FINANCIAL INVESTMENT**
*Keishampat Keisham Leikai, Imphal West, Manipur- 795001*

We are looking forward for those candidates who are keen to work in this Financial Institution (MDFI) and ready to grow with us.

| Sl.No. | Designation | Qualification | Age | No. of vacancy | Salary/month |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Recovery Agent (RA) | 8th passed | 25 & Above | 20 | 7k-15k+incentives |
| 2. | CRO | 10th passed | 25 & Above | 20 | 8k-15k+incentives |
| 3. | Inspection officer | Any Graduate | 25 & Above | 20 | 12k-20k+incentives |
| 4. | Loan officer | Any Graduate | 25-45 | 20 | 10k-25k+incentives |

For the branches of Thoubal and Hatta branches.

Last date of form submission :- **10/02/2019**
Date of interview :- **To be notified later**
Office hour :- **10:30 am to 3.30 pm.**
Form available at :- **MANIPUR DEVELOPMENT FINANCIAL INVESTMENT (MDFI) Head office** (Keishampat Keisham Leikai), Yairipok branch, Hatta branch and Konung Mamang (head office administrative block)
Contact number :- **9402674377, 8731899722**

Interested and eligible candidates may kindly submit their Form and required Documents at Manipur Development Financial Investment (MDFI) Manipur.

HL-P/3338/26,28,29,30,31,01,02/02

Sd/- **Aribam Anil,** Chief Manager, Manipur Development Financial Investment.